খুন্দ্রাকপম অমসুং তেকপচমগী মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): মশামক্কী লম্ফেলদা লৈবা ওফিসল ক্বার্টরদগী ২০১৮গী জুনদা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগকা লোয়ননা ফাবদা চেন্নবা হান্না ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল (এ দি সী), চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্স (এন দি পি এস) স্পেসল কোর্টনা হৌখিবা চহী ২০২০গী দিসেম্বরগী তাং ১৭তা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা অমসুং কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্লা হায়র কোর্টতা আপীল চথদুনা অমদি নৌনা থিগত্তুনা মরাল লৈবা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীয়ু হায়না মীয়াম্না চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না তোঙান তোঙানবা ইমা লুপ অমদি ক্লবশিংগা খূৎশম্নদুনা খুন্দ্রাকপম অমসুং তেকচমদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম ময়ায়লৈকায়দা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লুপ (অমকিল) অমসুং খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকায় চাওখৎ নুপী লুপ অনী পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা খাঙেন্বম অনন্দি- এদভাইজর, অমকিলনা ৱা ঙাঙখি।

মহাক্লা হায়খিবদা, লুখোসৈ ঝৌগী কেস মণিপুর লৈঙাক্লা হায়র কোর্টতা আপীল চত্তুনা কেস অসি নৌনা থীগত্তুনা মরাল লৈবা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং আইনগী ওইবা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা হৌখিবা থা অনী হেনবগী মতম অসিদা য়াম্না দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাল্লবসু ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক ওইনা পায়খৎলক্তবা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা লাইবক থিবনি। লুখোসৈ ঝৌগী থৌদোক অসিদা নত্তুনা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী দ্রগকা লোয়ননা ফাবদা চেন্নবা মীওই ৯ অমসু মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিল্লিঙৈ মরক্তা মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্লা করিসু খঙদবদৌনা তূমীন্না লৈশিনবগী থৌওং অসি মীয়াম্না অদুক্কী মতিক পেন্দে। থৌওং অসিদি লৈঙাক্লা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং নাকোয়ননা শৌগৎলল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়খি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকর মনুং চনবা তেকচম লাইবুংদা দ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) অমসুং তেকচম লাইবুং লৈকায় মহিলা মণ্ডুল অনীনা পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মোইরাংথেম সনাতোন্বী সেক্রেটরি জেনরেল, থৌবাল ইমানা ৱা ঙাঙখি। মহাক্লা হায়খিবদা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং ফার-ফারগা থাদোকখিবদা তূমীন্না লৈশিনবগী থৌওং অসিনা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা দ্রগ থিংদুনা ঐখোয়গী হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিং দ্রগতগী কনবীগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে।

দ্রগ মচা-মশু খরা ফাবগীদি মপু পুথোক্তুনা চৈরাক পীবা ঙম্মী অদুগা লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইবা দ্রগ ফাবদা চেন্নবা মীওইশিংবুনা ফারবা মতুং মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখিবগী থৌওং অসি মীয়াম্বু উশিত্তবা অমসুং তুংগী মীরোলগী খন্দবা লৈঙাক্কি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়খি।

পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমশিং অদু লোইশিল্লকপদা শরুক য়াখিবা মীয়াম অদুনা লুখোসৈ ঝৌ থাদোকপা য়ানীংদে, দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা হায়র কোর্টতা আপীল চৎলু হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

‘অবিনাস থিবদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু’

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তোর্বুং গোভিন্দপুরদগী চৎলিবা থা অসিগী তাং ১৫গী নুংথিল পুং ৩.৩০রোম তাবা অদুৱাইদগী থিবা ফংলক্ত্রিবা তোর্বুং গোবিন্দপুর মমাঙ লৈকায়দগী মশাগী চহী ৭খক শুরিবা অঙাং নুপামচা লাইশ্রম অবিনাস অপোকপা এল অনন্দ, অপোকপী সোফিয়া থিবদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়বগী মতাংদা ঙসি অঙাং অসিগী য়ুমদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মৈরা পায়বী এম কুমারি লৈমনা হায়খিবদা, অঙাং অসি য়ুমগী খা থংবদা লৈবা পুখ্রি অমগী মপালদা অতোপ্পা অঙাং অনীগা পূন্না মখোয় অহুম পূন্না শান্নরম্মী। অদুবু ঙাইহাক কানরগা মমানা অঙাং থিরকপদা মাগা শান্নমিন্নরম্বা অঙাং অমনা ফোঙদোরকদা মশক খঙদবা জেকেট লিৎপা নুপা অমনা নোংপোক পাংনা পুখ্রে হায়বা খঙলকখি। মসিগী থৌদোক অসি নুংঙাইতবদা নত্তনা য়াম্না অকিবসু ফাওই। ঐখোয় লৈকায়গী অকোয়বদা থিবা য়াবা থিরে, পুখ্রিশিং কুমদুনা কোইথি থিরে। অদুবু ঙসি নুমিৎ হুম্নি শুরবা ফাওবা লংলা-লংজিল অমত্তা ফংদবদসি অঙাং অসিগী মমা, মপা অমদি লৈকায়গী মীওই ফাওবা য়াওনা লৈফম খঙদ্রে। মরম অদুনা অঙাং অসি থিবদা মণিপুর পুলিস, অতৈ অতৈ লমগী প্রজাশিং অমদি লৈঙাক্লসু অঙন্বা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌজরি হায়না কুমারিনা মখা তাখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা তোর্বুং য়ুনাইটেদ ক্লবকী সেক্রেটরি সিঐচ নরেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবদা মাঙখ্রিবা অঙাং অসি থিবা য়াবা থিরে, অদুবু হৌজিক ফাওবা থিবা ফংদ্রি। মণিপুরগী ঈশিংদা তাবদা থিবদা মমিং লৈরবা উরুপতগী এমদি অসাতুলা য়াওনা ঙসি লৈকায়গী পুখ্রিশিংদা থিবদা ফংদ্রে। মাঙখ্রিবা অঙাং অসিগী ইমুং অসি নোংমগী শুরগা চাজবা ইমুংনি। মরম অসিনা অঙাং অসি থিবদা মণিপুরদা লৈরিবা সী এস ওশিং, প্রজা লোয়ননা লৈঙাক অমদি পুলিসনসু অঙন্বা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌজরি হায়খি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্দা মিসিং রিপোর্ট অমা পীবগা লোয়ননা কেস অমসু রেজিষ্টর তৌখ্রে।

মাঙখ্রিবা অঙাং অসিগী ময়ূমদা কুম্বী কেন্দ্রগী সোসল ৱর্কর সনসম প্রেমচন্দ্র লাক্তুনা অঙাং অসি ফংনবা থিবদা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়নসু লৈকায়গী অমদি ক্লবকী মীওইশিংদা ফোঙদোকখি।

সনাতোন অথোকপমগী অচুম্বা জষ্টিস ফংহনবীয়ু হায়দুনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা হৌজিক হৌজিক এম বি বি এসকী ফাইভ সেমিষ্টর তম্লিবা খুরাই থাংজম লৈকায়দগী সনাতোন অথোকপম (২২)গী মীশি অসি য়ানীংদে অচুম্বা জষ্টিস ফংহনবীয়ু হায়না সনাতোনগী মচে সনাথোইনা ফোঙদোরক্লি।

জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপমনা শীন্দুনা ঙসি খুরাই থাংজম লৈকায়গী মমাঙ লম্পাক্তা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমদা মীয়াম্না সনাতোনগী মীশি অসি য়ানীংদে। অচুম্বা জষ্টিস ফংহনবীয়ু, সনাতোনগী মীহৎপা পুথোকউ, সনাতোনগী মীহাৎপা দন্দি পীয়ু হায়না খোল্লাও কয়া লাউদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ঙসি চথখিবা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা সনাতোনগী মচে রিমসতা এম ফিল্ড তৌরিবা সনাথোইনা ফোঙদোরকখিবদা মীশি অসিগী মতাংদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা ঐঙোন্দা ফোনদা ইমজেন্সি অমা লৈরে রিমসকী কেজ্যুএল্টিদা লাকউ হায়না পাউ অমা পীরকপদগী ঐনা চৎলুবদা ঐগী ইনাওনুপাসি মমায় খামদেল্লগা লৈরম্বনি। মখূৎসু মতুংদা পুল্লগা লৈরম্মী। অদুদা ঐদি মওং অদু য়েংবা ঙমদবদগী নাকল্দা লৈথোক্লগা লৈ। ঙরাং পোষ্ট মোর্টেম জেনিমস হোস্পিটালদা তৌরে। ঐখোয়দা রিপোর্টকী মরমদা করিমত্তা হায়বীদ্রে। রিজল্টসু চয়োল অমরোম চঙগনি হায়রি। ইনাওনুপাগী মীশি অসিগী অচুম্বা পুথোকপীয়ু হায়খি।

এ আই এম এস এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): অপুনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলুপ (এ আই এম এস)কী ৮শুবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল ২০২১-২২ সেসনগী থৌ পুবা খন্নবা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না এ আই এম এসকী রির্টনিং ওফিসর রাজেস য়ুম্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল ২০২১-২২ সেসনগী মীখল অসিগীদমক ইস্যু ওফ নোমিনেসন ফোর্মগী অরোইবা মতমনা মার্চ ১৯গী নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৪ ফাওবা ওইগনি। অদুগা নোমিনেসন ফাইল মার্চ ২০গী নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৪; স্ক্রুটনি মার্চ ২১গী অয়ুক্কী পুং ৮দগীনা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা; ৱিদ্রোৱেল ওফ নোমিনেসন মার্চ ২১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪; দেট ওফ পোল মার্চ ২২গী অয়ুক পুং ৯দগীনা নুমীৎয়ুংবা পুং ১২; কাউন্টিং মার্চ ২২গী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১দগীনা নুমীদাংৱাইরমগী পুং ৩ অমদি দিক্লারেসন ওফ রিজল্টনা মার্চ ২২দা ওইগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগী অকুপ্পা মরোল আর দি অমদি এ আই এম এসকী ময়াই লোয়শঙদগী খঙবিবা য়াগনি। লোয়ননা নৌনা থৌ পুবগী খল্লবা থৌমীশিংগী ৱাশক লৌবগী থৌরম মার্চ ২৪দা পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

ফোটো এগজিভিসন লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ানা নিংতমখিবগী চহী ৭৫শুবগী থৌরম পাঙথোক্লদুনা মোইরাংগী আই এন এ ওদিটোরিয়মদা ‘অজাদিকা অমৃত মহোৎসব’ কী হীরমদা পাঙথোকপা নুমীৎ মঙানিগী ফোটো এগজিভিসন ঙসি লোইশিনখ্রে।

ফোটো এগজিভিসন অসি ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী রিজনেল আওটরীচ ব্যুরো (আর ও বি) ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। এগজিভিসন অদুদা মহাত্মা গান্ধী, সরদার বল্লভভাই পটেল, নেটাজি সুভাস চন্দ্র বোসকুম্বা ইন্দিয়াগী মশকনাইরবা নীংতম লান্মীশিং অমসুং মশক খঙবিদ্রবা অথৌবশিংগী পুন্সি ৱারীগী মতাংদা অমসুং মখোয়না নীংতম ঈহৌদা লৌখিবা থৌদাংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং দিসপ্লে তৌখি। মোইরাং কোলেজগী হিষ্টরি দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি ওইরিবা এসোসিএট প্রো. এন জুগিন্দ্রোনা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্লা নীংতম ঈহৌগী অমসুং ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ফংখিবগী চহী ৭৫গী মতাংদা শন্দাক্লা ৱা ঙাঙখি। আর ও বি ইম্ফালগী হেদ ওফ দ ওফিস ওইরিবা অরিবম ইবোমচা শর্ম্মানা থৌরম অদুগী ময়াই তাংবলদা লেংশিনখি। থৌরম লোইশিনবগী শরুক অমা ওইনা এক্স-টেম্পোর স্পীচ অমসুং ক্বিজগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

এস এস য়ু এমগী লুচিংবশিংনা পিখৎলকপা রিজাইনেসন খুদিংমক অয়াবা পীরে : এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)গী লুচিংবশিংনা পীখৎলকপা রিজইনেসন খুদিংমক এস এস য়ু এমগী এদভাইজরি বোর্দনা অয়াবা পীরে হায়না লুপ অসিগী এদভাইজরি বোর্দকী কনভিনর এল সী লাইশ্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এস এস য়ু এমগী থবক থৌরমশিং হেন্না অচুম্বা লম্বীদা চঙশিন্নবা অমদি মীয়াম্না লান্না উগদবা থবক থৌরমশিং থিংনবগী পান্দমদা লুপকী এদভাইজরি বোর্দনা মহৈরোয় লুপকী থৌপুবশিংবু থম্মোয় শেংনা রিজাইন তৌনবা খঙহনখিবনি। এস এস য়ু এমগী ওইনা থৌ পুবা পূম্নমক ফমদগী রিজাইন তৌখিবনা মরম ওইদুনা কনভেন্সন অমা পাঙথোক্তুনা নৌনা লুপকী থৌ পুবশিং খন্দ্রিবা ফাওবা হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এস য়াইমাবু ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা নোমিনেট তৌরে। এস এস য়ু এমগী হান্না চৎনরম্বা লেটরহেদ অমদি রিসিভ বুক খুদক্তগী চৎনররোই। এস এস য়ু এমবু হেন্না ফবা মহৈরোয় লুপ অমা ওইনবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি এদভাইজরি বোর্দনা লৌরকপনি।

মহৈরোয় লুপকী চৎন-কাংলোননা অয়াবা পিদবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা থিংবা ঙম্নবা লোয়ননা মীয়াম্না মহৈরোয় লুপ অসিদা লান্না উরক্লিবা পূম্বসিদগী ঙাকথোক্লবা অকনবা মীৎয়েং চঙলি। করম্বা মতমদা কনভেন্সন পাঙথোক্কনি হায়বদু অথুবা মতমদা ৱারেপ্পরগনি। হৌখিবা মতমদা এস এস য়ু এমগী মথক্তা অতোপ্পা লুপ খরনা অরানবা মওংদা পাউচেদা ফাওবা হাপচিল্লকপা কয়া থেংনখ্রে। খোঙচেপ হায়রক্লিবা কয়া অসি থেংননবা এদভাইজরি বোর্দনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নদুনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। এস এস য়ু এমনা লৌরক্লিবা ফীরেপ অসিদা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মেনশিনবা ঙমদনা লৈহৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): মণিপুরী সাহিত্য অমসুং লোলবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা চোকথবা নাইদনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা শক্লাইরবা অইবা এলাংবম সোনামনিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা সাহিত্য থৌপাং লুপ (সাথৌলুপ) না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

লুপ অসিগী এদভাইজর শরতচান্দ থিয়াম্না থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা অইবা অসিনা তৌরম্বা থবকশিংবু শিংথাদুনা ৱা ঙাঙখি। শক্লাইরবা অইবা অসিনা লৈখিদবা হায়বসি মেনশিনবা ঙমদনা লৈহৌরগনি হায়নসু মীফম অসিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াদা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস (আই এ এস) ওফিসর অমা ওইনসু চীংমি-তম্মি অনীগী মরক্তা নুংশিনবা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। সাহিত্য একাদেমিগী মণিপুরী লোলগী কনভিনর ওইরিঙৈ মতমদসু মণিপুরী সাহিত্যবু ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা শক্তাক্লবা হোৎনরম্বা মীশক অমনি।

মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : এমসুগী ৪৬ শুবা জেনরেল এসেমব্লিগী জি বি মীফম মার্চ২৬ অমদি ২৭ তা পাঙথোক্লগনি হায়না এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। পাঙথোক্কদৌরিবা জি বিগী মীফম অসিদা এজেন্দা কয়ামরুমদা খন্না নৈনগনি। এজেন্দশিং অদুদি এন্যুএল রিপোর্ট, এগজিক্যুটিভকী কাউন্সিলগী ইলেক্সন, এমেন্দমেন্ট ওফ দি য়ুনিয়ন কন্সটিট্যুসন অমদি মিসেলিনসকী মতাংদা খন্না নৈনগনি হায়রি। মরম অদুনা হায়রিবা জি বিগী মীফম অসিদা মেম্বর পূম্নমক্না শরুক য়াবিয়ু হায়রি।

শৈরেংগী নুমীৎ পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): এলাইন্স ফোর দিভলপমেন্ট অলটরনেটিভস মণিপুর (অদাম)গী হেদ ওফিস ককচিং অমদি জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হব, ককচিংনা তোঙান-তোঙানবা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন ১১গী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টশিংগা খুৎশম্নদুনা মার্চ ২১দা অঙান চিং ইকো পার্কতা মালেমগী শৈরেংগী নুমীৎকী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হব ককচিংগী সেক্রেটরি চীংখৈ ময়াংলম্বমনা খঙহল্লক্লি। থৌরম অসিদা বীরমঙ্গল পুখ্রম্বমনা ইবা ‘খুন্থক খুনখা’ অমদি ‘অশেংবা নুংঙাইবা’ হায়না মিংথোনবা মণিপুরী পোষ্টর শৈরেং অনী শক্লাইরবা অশৈবা ষামিনি সুন্দর গুহ গোল্ড মেদালিষ্ট য়েংখোম বিহারিনা ফোঙগনি। থৌরমগী মনুং চন্না মহৈরোয়শিংগী ওইবা শৈরেং ইবা চাংদম্নবা পাঙথোকপগা লোয়ননা অইবা-অইবি ১০না মশানা ইবা প্রকৃতি ইমাবু শৈথাবা শৈরেংশিং পাথোক্কনি হায়রি।

ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

BETI BACHAO BETI PADHAO
A ONE DAY
ORIENTATION PROGRAMME
for
HOOL MANAGE T COMMITTEES
On 17th M 2021
plex, Thoubal

থৌবাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স, বেটি বচাও বেটি পরাও থৌবালনা শীন্দুনা ‘বেটি বচাও বেটি পরাও’গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি দি সী কমপ্লেক্স থৌবালদা লৈবা ইলেক্সন কাওন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

স্কুল মেনেজমেন্ট কন্মিটিশিংনা শরুক য়াখিবা ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অদুদা দি সী থৌবাল এন বন্দানা দেবী আই এ এসনা অথোইবা মীথুংলেন, জেদ ঈ ও জোন-থ্রী থৌবালগী এ আই ওফ স্কুল এ সনাহল সিংহ এম ঈ এসনা থৌরম মপু, এস দি ও থৌবাল এম ইঙোচা অমদি আই সী দি এস সেল থৌবালগী দি পি ও টি অনিতা দেবীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা দি সী থৌবাল এন বন্দানা আই এ এসনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চাইল্ড সেক্স রেসিওদা নুপীমচাশিং অসি য়াম্না নেম্না লৈবা অসি লাইবক থিবনি। নুপী য়াওদনা খুন্নাই অমা শেম্বা য়ারোই, অফবা মমানা অফবা মচা শেম্বদা নত্তনা ইমুং মনুং তংদু লৈতাহল্লি। পোক্ত্রিঙৈদা নুপা-নুপী খঙদোকপা লোগী ৱাংমদনি, নুপীমচাশিংবু কনসি, মখোয়বু অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং ফংদুনা তংদু-লৈতানা লৈবাক অমা শেমিন্নসি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নুপীমচাশিংগীদমক্তা হৌদোক্লিবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবশিং অসিসু লৌমিন্নসি হায়খি।

NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/6777/10/2-16/3 (alt)

LOST
Admission Card, bearing Roll no. 14402/2020, Class XI (Eleven) Science, Enlightened Knowledge (E.K.) Hr. Secondary School of Yumnam Moreez had been lost on 15th March 2021 on the way from Chingmeirong East (Home) to E.K. Hr. Sec. School, Sangakpham Bazar.
If anybody find it, Please call to the no. below :
(1) 9862133323 (2) 9774968527
HL-P/7087/18

JOB FOR FRESHERS
ISO 9001:2015 Certified organisation amagidamak Imphal amasung Manipur gi major District singidamak oigadaba official Post 67 athubagi oina thabak koujari, Thabak asigidamak Class X, XII, Graduation pass toukhraba amadi tamliba student faobanasu apply toubiba yagani.
Age Limit : Below 35 yrs.
Income : Rs. 10,000/- to 37,000/- (P.M)
Facility : Fooding + Lodging Available
Visiting Hour : 12 noon to 3 pm.
NO DEPOSIT SYSTEM
Apply toubiningbasingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana athuba matamda tanabiu.
HL-P/9311/16,18,22
Contact : 9774986962, 8837369704

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN ....
ARTS
SCIENCE
3RD Post '20 PH. FIROJH.
7TH Post '20 TH. OBINKUMAR
8th Post.'20 N. PARITON
8th Post.'20 N. PARIHAN
10th Post.'20 S. SANATHOI
5th Post '19 SHARMELI
5TH Post '19 H. BERON
8th Post. '19 LINTHOINGAMBI
10th Post. '19 L. BRINDASHI
19TH Post '20 ELIA NEPRAM
19TH Post'20 R.K. NEVITA
2th Post'19 ASEM SOPHIA
7th Post'19 W. NINGTHEM
4TH Post '19 ROBINSON
6TH Post '19 SHAH MINHAZ
8th Post.'19 ANJU ANAND
9th Post.'19 THOUNGAMBA
16th Post.'19 SAMANANDA
7th Post'19 W. SANAMATUM
8TH Post'19 U. ADHITYA
15th Post.'19 REHAN YUMNAM
22th Post.'19 R OSHAN KH.
23th Post'19 RICKY KHAIDEM
23TH Post'19 SOIBAM DIANA
24th Post.'19 L AMJINGBA
S. NEHA CBSE—95%
MANY MORE TOP-PRS
RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
⟹ QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
⟶ TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM
TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.
SPECIAL REVISION COURSE FOR 40 DAYS
FOR QUARY : 9862992105
CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 25th MARCH
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 22ND MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) — 25th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22ND MARCH
★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX - ACIAN STUDENTS .
★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021
★ SEATS ARE LIITED FIRST COME FIRST SERVE
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION OF CLASS 6 TO 9
LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/6807/23/2-25/3

[illegible] / MACHINE OPERATOR পামজৈ
Semi Automatic Pet Blow Moulding Machine নীংথিজনা শীজিন্নবা হৈবা Machine Operator অনীখক অথুবগী ওইনা লৌজগনি, থাগী তোলোপসু মতীক চানা পীজগনি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।
HL-P/9330/17,18
Contact : 8892878300

To
The President
Patsoi Block Congress Committee

Sub :- Resignation from the Vice President post of Patsoi Block Congress Committee.

Sir,

With best regard, the undersigned beg to state that I have been serving the people and the party as vice president of Patsoi Block Congress Committee since 25/01/2021 sincerely with voluntary dedication. But I felt myself unsatisfied in the present trend having different opinion amongst the leaders and determined to resign for the vice presidentship of the Patsoi Block Congress Committee. It does not mean to join another political party. Hence, this prayer.

For kind accepted as prayed, I shall ever pray.

Sd/- **Laithangbam Tomboy (Paboy) Singh**
Taobungkhok Makha Leikai

HL-P/9333/18

[illegible] / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম:

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিঞ্জরম্বাঁ **ৱাইখোম নিপামচা সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১৩/৩/২০২১ ইং, ফাইরেনগী ৩০নি পানবা (থাশি) থাংজ নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী শ্রীশ্রী নন্দ দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৮/৩/২০২১ ইং, লমতাগী ৫নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৬/৩/২০২১ ইং, লমতাগী ১২ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবীক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবণ তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি।

পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং :-
অয়ুক পুং ১১:০০ সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা

সেবা ফংজরিবশিং :-
শ্রীমতি ৱাইখোম মেমচা দেবী (সহধর্ম্মীনি)
অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুং
ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই

HL-P/9337/18